# সুপ্রিম কোর্টনা অযোধ্যা কেসকী হিয়ারিং ওক্টোবর ২৯ দগী হৌনবা লম্বী ফাংখ্রে, এন্টি–এদল্টরি লো কককথৎখ্রে

*ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৭ ঃ*

ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা শীংথানিংঙাই ওইবা তোঙান তোঙানবা ৱায়েল অনীদা মোস্ক অমা হায়বসি ইস্লামগীদমক থাদোক্লবা য়াদ্রবা অমনি হায়বা লেপ্পবা জজ ৫ গী বেঞ্চতা রিফর তৌ হায়বা য়াখিদবগা লোয়ননা অযোধ্যাগী মরু ওইবা কেসকী হিয়ারিং ওক্টোবর ২৯ দগী হৌনবা লম্বী ফাংখ্রে। মকোক থোংবা কোর্ট অসিগী অতোপ্পা ৱায়েল অমনা ইন্দিয়াগী হৌজিক লৈরিবা এন্টি–এদল্টরি লো অদু অনকন্সটিট্যুস্নেল ওই হায়বগা লোয়ননা চহী ১৫৮ শুরবা আই পি সি গী সেক্সন ৪৯৭ অদু কককথৎখ্রে।



সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি পীখিবা ৱায়েলদা অযোধ্যাগী লমগী য়েৎনবগী হিয়ারিং মনুংদগী লাকখিবা মোস্ক অমা হায়বসি ইস্লামগীদমক থাদোক্লবা য়াদ্রবা অমরা হায়বগী মতাংদা ১৯৯৪ দা পীখিবা ৱায়েল অদু অমুক হন্না খন্ননবা জজ ৫ গী কন্সটিট্যুসন বেঞ্চতা রিফর তৌবীয়ু হায়বদু য়াখিদ্রে।

চীফ জষ্টিস দিপক মিশ্রানা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা ২–১ গী মেজোরিটি ভর্দিক অমদা কোর্টসিনা পীখিবা মমাঙগী ভর্দিক অদু অযোধ্যাগী মরু ওইবা কেস অসিগা মরী লৈনদে হায়রদুনা সিভিল সুট অদু ইভিদেন্সনা য়ূম্ফম ওইরগা লেপকদবনি হায়খি।

জষ্টিস অশোক ভুসননা চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া অমসুং মহাক মশামক্কী জজমেন্ট অদু পাথোক্লদুনা জজ ৫ গী বেঞ্চ অদুনা ১৯৯৪ জজমেন্ট পীখিবা অদুগী কন্টেক্স অদু নীংশিংবা তাবনি হায়খি।

জজ অনীসিগী পীরিবা মোত অসি জষ্টিস এস অব্দুল নাজিরনা য়াখিদে অমসুং মোস্ক অমা হায়বসি ইস্লামগা থাদোক্লবা য়াদবা অমরা হায়বসি লেপকদবনি হায়খি।

১৯৯৪ গী ৱায়েল অদু মুস্লিম পার্টিশিংনা মখোয়গীদমক চুমদবা ৱায়েল অমনি অমসুং মদুনা ২০১০ দা এলাহবাদ হায় কোর্টনা অযোধ্যাগী য়েৎনরিবা লম অদু মচেৎ অহুম থোক্লা খাইদোকহল্লকখিবনি হায়খি।

পূন্না একর ২.৭৭ চাওবা লম অদু এলাহবাদ হায় কোর্টনা সন্নি ৱাকফ বোর্দ, নিরমোহি অখারা অমসুং রাম লাল্লা (অঙাং ওইরিবা রাম) গী মরক্তা চপ মান্ননা অহুম থোক্লা মচেৎ খাইদোকখিবনি।

হৌজিক অযোধ্যাগী লম য়েৎনরিবা অদুগী মতাংদা মরু ওইবা কেস তাইতল সুট অদুগীদমক, জষ্টিস দিপক মিশ্রানা ওক্টোবর ২ দগী চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়াগী ফম থাদোক্লগদবনা নৌনা শেম্বা জজ ৩ গী বেঞ্চনা য়েৎনরিবা লম অদু কনাগী ওইগদগে হায়বা লেপ্পবা ওক্টোবর ২৯ দগী হিয়ারিং হৌরগনি।

অমরোমদা লৈবাকসিগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা ৱায়েলশঙ অসিনা এদল্টরি (ময়ূম পাল্লবা নুপী নৎত্রগা নুপানা অতোপ্পা নুপা নৎত্রগা নুপীগা মরী লৈনবা) অসি ক্রাইম নত্তে হায়না লাওথোকখ্রে অমসুং চহী ১৫৮ শুরবা আই পি সি গী সেক্সন ৪৯৭ অদু কককথৎখ্রে।

এপেক্স কোর্ট অসিগী জজ ৫ না শাবা কন্সটিট্যুস্নেল বেঞ্চনা মোত অমত্তা ওইনা এদল্টরিগীদমক মরাল পীরিবা ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সন ৪৯৭ কককথৎখি অমসুং থায়নগী মল্লবা লো অসিনা ইক্বেলিটিগী রাইটস থুগায় লোয়ননা নুপীশিংদা চপ মান্নবা খুদোংচাবা লৈহন্দে হায়খি।

লো অসি কন্সটিট্যুস্নেল ওই হায়রদুনা চীফ জষ্টিস দিপক মিশ্রা অমসুং জষ্টিসশিং–আর এফ দরিমান, এ এম খানৱিল্কর, দি ৱাই চন্দ্রচুদ অমসুং ইন্দু মলহোত্রানা শাবা জজ ৫ গী বেঞ্চ অদুনা নুপীশিংগী মথক্তা চথবা মান্নদবা চৎনবী অসি কন্সটিট্যুসনগী ৱাংমদনি অমসুং চৈরাক ফংনিঙাই ওই হায়খি।

হান্না লৈরিবা এদল্টরিগী লো অসিদা মরাল লৈবা অমবু জেলদা য়াল্লবা চহী ৫ গী চৈরাক অমসুং ফাইন নৎত্রগা অনীমক্কী চৈরাক ফংনিংঙাই ওই।

# জে এন্দ কে দা খূৎ–থোক্লবা অনিদা টেরোরিষ্ট ৩, লান্মী ১ শিরে



*শ্রীনগর, সেপ্টেম্বর ২৭ ঃ*

ঙসি শগোলশেন নুমিত্তা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট অনন্তনাগ অমসুং বদগামদা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অনিদা টেরোরিষ্ট ৩ অমসুং লান্মী ১ শিরে হায়না আর্মিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি অয়ূক জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট অনী অসিদা টেরোরিষ্টশিং অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগগী মরক্তা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অনী থোকখি হায়না পুলিস ওফিসার অমনা হায়খি।

অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টকী কাজিগুন্দদা টেরোরিষ্টশিং লৈরে হায়বগী ঈ–পাউশিং ফংলবা তুংদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চঙশিন্দুনা মফম অদু কোয়শিনখি অমসুং থিবা হুন্বগী থবক চথখি হায়না ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি।

অদুবু সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা থিবা–হুন্বগী থবক চথরকপা অদুদা মফম অদুদা লৈরম্বা মিলিটেন্টশিং অদুনা সেক্যুরিটি ফোর্স তম্না নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লরকখিবনি হায়বা আর্মি ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

হৌজিক ফাওবদা টেরোরিষ্ট ১ হাৎখ্রে অমসুং মখোয়গা কাপ্নবদা ঐখোয়গী নাকলদগী লান্মী ১ সু মপূন্সি কখোকখ্রে হায়না ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি।

বদগাম দিষ্ট্রিক্টকী পঞ্জান এরিয়াদা চথখিবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী অতোপ্পা ওপরেসন অমদা খূৎ থোক্লরকপদগী সেক্যুরিটি পার্সোনেলনা কাপ্পদা টেরোরিষ্ট ২ শিখি হায়না মহাক্না হায়খি।

সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মখূৎতা শিরবা মিলিটেন্টশিং অদুগী মশক–মমিং খঙবা ঙমদ্রি লোয়ননা মখোয় করম্বা গ্রুপতা য়াওবনো হায়বদুসু খুদক্তা লেপ্পা ঙমদ্রি হায়রি।

হৌজিক ওথোরিটিনা শ্রীনগর অমসুং থংনবা লমদমশিংদা অককবা মরম পীদনা ইন্টর্নেট সার্ভিসশিং কককথৎখ্রে হায়রি।

# স্কুল দাইরেক্তরনা মহৈরোই ৫ রেপ তৌখ্রে

*মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ২৭ ঃ*

মহারাষ্ট্রগী সাংগ্লি দিষ্ট্রিক্টতা ত্রাইবেল মহৈরোইশিংগীদমক লীংখৎপা রেসিদেন্সিয়েল স্কুল অমগী দাইরেক্তরনা পরিক্ষাদা মার্ক ফজনা পীগনি অমসুং লাইরিক তম্বদা শেল চঙহল্লোই লেন্না তমহনগনি হায়দুনা চহী ১৫ দগী চহী ২০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা য়ামদ্রবদা মহৈরোই নুপীমচা ৫ রেপ তৌখ্রে হায়না ঙরাং পুলিসনা ফোঙদোরকখ্রে।

চেন্নরিবা স্কুল দাইরেক্তর অর্বিন্দ পৱার অমসুং মাগী তেংবাঙবা মনিশা কমৱে ফারে হায়না রেসিদেন্সিয়েল পুলিস ইন্সপেক্তর বিবেক পটিলনা ফোঙদোকখ্রে।

স্কুল অসিদা চথরিবা থবক থৌওংশিং অদুগী মরমদা কনানা থারকপনো খঙদবা চিঠি অমা পুলিসতা ফংখি। নুপী পুলিস ওফিসার অমনা স্কুল অদুদা চৎলগা মহৈরোইশিংগা ৱারী শান্নখি। মদুদগী স্কুল দাইরেক্তর অদুনা মতম কয়াদগী হৌনা য়ামদ্রবদা মহৈরোই নুপীমচা ৫ রেপ তৌখি হায়বসি খঙলকখিবনি।

পুলিস, চাইল্ড ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং মফমদুগী ৱুমেন এন্দ চাইল্ড ৱেলফিয়ার কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা স্কুল অদুদা রেইদ চথরগা মহৈরোইশিং অদু রেস্ক্যু তৌরকখ্রে।

পোক্সো এক্টকী মখাদা কেস অমা লৌখৎখ্রে। ঐখোয়না মহৈরোইশিংগী মমা মপাদা পাউ পীখ্রে অমসুং অতোপ্পা স্কুল অমদা মহৈরোই পূন্নমক অদু হোংদোক্লকখ্রে হায়না ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

# বি জে পি এম এল এ গী য়ূমদা নোংমৈ কাপশিনখ্রে, গ্রেনেদ লংশিনখ্রে

*মীরুট, সেপ্টেম্বর ২৭ ঃ*

ঙসি অয়ূক অঙনবদা উত্তর প্রদেশকী মীরুটতা বি জে পি এম এল এ সঙ্গিৎ সোংগী য়ূমদা শকখঙদবশিংনা কার অমদা লাক্লগা নোংমৈ কাপশিনলম্লে অমসুং গ্রেনেদ অমসু লংশিনলম্লে। অদুবু থৌদোক অদুদা অশোক–অপন অমত্তা থোকখিদে হায়না এস এস পি (মীরুট) অখিলেস কুমারনা হায়রি।

জেট কেতিগোরিগী প্রোটেক্সন ফংলিবা এম এল এ অদুগী সেক্যুরিটিগী থবক পুরিবা পুলিস পার্সোনেল ৫ মথৌদা থৌশাদবগীদমক থবক্তগী সস্পেন তৌখ্রে হায়রি।

মীরুটকী লালকুরতি এরিয়াদা লৈবা সর্ধনাগী এম এল এ অদুগী য়ূমদা অয়ূক পূং ১ রোম তাবদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা মথৌ চেকশিন্দবগীদমক থবক্তগী সস্পেন তৌখ্রবা পুলিস পার্সোনেল ৫ অদুদি হেদ কন্সটেবল সাটবির সিংহ অমসুং কন্সটেবলশিং–সত্যন্দ্র সিংহ, সঞ্জিব ভারতি, সুর্জিৎ সিংহ অমসুং মনিস কুমার কৌই।

এম এল এ অদুনা ময়ূমদা হেক হল্লকখিবগী মিনিট খরগী তুংদা মীওইশিং অদু থুংলখিবনি। অদুগা য়ূম অদুদা নোংমৈ কাপশিল্লগা অমসুং গ্রেনেদ অমা লংশিল্লগা চেনখিবনি। হেন্দ গ্রেনেদ অদুদি পিন শৎতে অমসুং পোকখাইখিদে।

# অতোপ্পা নুপাগা মরী লৈনৈ হায়বগীদমক ট্রিপুরাদা মচা ২ লৈরবী নুপী ঙকশমদা খোঙউপ পরেং শীরগা উ পাম্বীদা পুনশিন্দুনা ফুবীখ্রে

*আগর্তলা, সেপ্টেম্বর ২৭ ঃ*

ট্রিপুরাদা থোকপা নুংঙাইতবা থৌদোক অমদা য়ূমথংনবদা লৈবা য়ূম পাল্লবা নুপা অমগা নত্তবা মরী লৈনৈ হায়বগীদমক মচা অনী লৈরবী নুপী অমবু মঙকশমদা খোঙউপ পরেং অমা শীবিরগা উ পাম্বী অমদা থৌরিনা পুনশিল্লগা ফুবীদুনা তাথি–তাওইনা তুহৎপীখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।



নুপী অসিগা অরোনবা মরী লৈনৈ হায়রিবা রঞ্জিৎ দাস কৌবা য়ূমথংনবদা লৈবা নুপা অদু পুলিসনা ফাগৎখ্রে, মহাক ঙসি কোর্টতা পুথোকখ্রে।

থৌদোক অসি ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ষ্টেটকী কোনুং আগর্তলাদগী কিলোমিটর ৮৬ লাপ্পা গোমতি দিষ্ট্রিক্টকী পুর্বা রঙ্গমাতিদা থোকখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা পাউ হেক ফংবগা পুলিসনা মফম অদুদা থুনা য়াংনা চঙশিনখি অমসুং নুপী অদু জ্ঞান মাঙদুনা লৈরম্বা থেংনখি অমসুং খুদক্তা মহাকপু খ্বাইদগী নকপা হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা আই পি সি গী সেক্সন ৪৯৮(এ) অমসুং ৩০৪(বি) গী মখাদা বিরগঞ্জ পুলিস ষ্টেসন্দা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

তান–চান্নরিবদি, এদল্টরি হায়বদি ময়ূম পাল্লবী নুপীনা অতোপ্পা নুপাগা মরী লৈনবা নৎত্রগা ময়ূম পাল্লবা নুপাগা অতোপ্পা ময়ূম পাল্লবা নুপীগা মরী লৈনববু ক্রিমিনেল ওফেন্স অমা ওইহল্লিবা ইন্দিয়ান পেনাল কোদ (আই পি সি) গী সেক্সন ৪৯৭ অদু ঙসি শগোলশেন নুমিৎ অসিমক্তদা সুপ্রিম কোর্টনা কককথৎখ্রে।

মশাগী চহী ৪০ শুরবী থৌদোক অসিদা অৱাবা মায়োক্লরিবী নুপী অদুনা ফোঙদোরকপগী মতূং ইন্না মহাক্না মাগী ফৌগী লৌবুক্তা থবক শূদুনা লৈরিঙৈদা মাগী খুলগী নুপী অহুমগা নুপা খরগা লাকখি। অদুগা মখোয়না মাবু ফুবা হৌরকখিবনি হায়খি।

মদুগী তুংদা মখোয়না কোন্না ঐবু ঙকশমদা খোঙউপশিংগী পরেং অমা হুকচিল্লগা উ পাম্বী অমদা থৌরীনা পুন্দুনা থম্বীখি। অদুগা ময়ামগী মমাঙ অদুদা ঐগী মায়দা অমুবা মুক কাপশিনখি।

মহাক ইবা হৈতবা মরমনা মহাক্কী ৱারোল অদু ঐখোয়না ইবিখি। মরাল লৈবা মীওই পূন্নমক অদু ঙসিমক মশক খঙলগনি অমসুং ফারগনি হায়না গোমতি দিষ্ট্রিক্টকী এদিস্নেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস নবদিপ জাতিয়ানা হায়খি।

পুলিস লীখুনশিংনা ফোঙদোকপদা চয়োল অনীরোমগী মমাঙদা রঞ্জিৎ দাস হায়রিবা নুপা অসিগী লোয়নবী নুপীনা মাগী য়ূমদা নুপী অদুগা রঞ্জিৎ দাসকা লৈমীন্নরম্বা থেংনখি। মদুদগী কন্না মরৈ য়েৎনদুনা খৎনখি। মদুগী তুংদা মরৈ য়েৎনরম্বদগী খূৎ থোক্লরকখি অমসুং রঞ্জিৎনা মাগী নুপী অদু থিনা ফুখি। মহাক হোস্পিটালদা পুখৎখি অমসুং অশোকপনা মরম ওইদুনা ঙরাং য়ুমজকৈশা নুমিত্তা শিখি।

খুঞ্জাশিং মরু ওইনা নুপীশিংনা থৌদোক অদুগী মতাংদা য়াল্লা শাওখি অমসুং মদু পূন্নমক্তু মহাক্না থোকহনবনি হায়দুনা নুপী অদুবু ঙরাং উদা পুনশিন্দুনা তমথিনা ফুবীদুনা অমসুং মমায় মমীৎতা মুক চাইশিন্দুনা তুহৎপীখিবনি হায়রি।

# সুস্মা স্বরাজনা মাগা ফম্মান্নবা ইরানগী জবাদ জারিফকা উন্নদুনা য়ু এস সেঙ্কসনশিংগী মতাংদা খন্নখ্রে

*য়ুনাইটেদ নেসন্স, সেপ্টেম্বর ২৭ ঃ*

ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা মহাক্কী ফম্মান্নবা ইরানগী জবাদ জারিফকা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে লোয়ননা নভেম্বর থাদগী হৌগদবা য়ু এস না ইরানগী মথক্তা থম্বা সেঙ্কসনশিংগী মতাং য়াওনা অতৈ হীরম কয়ামরুম খন্নখ্রে।



লুচিংবা অনীমক ৭৩ শুবা য়ু এস জেনরেল এসেমব্লি মীফম য়াওবা লাকপনি। নাকল অনীনা ইরান ন্যুক্লিয়ার দিল অদুগী য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগা লৈনরিবা ফিভম অদুসু খন্নখি।

সেঙ্কসনশিংগী ৱাথোক অসিগী মতাংদা মসিগা মরী লৈনবা পূন্নমক্কা ইন্দিয়াগা মরী অদুম্মক লৈনৈ। ইরানগী ৱাফম অসিসু মসিগা মরী লৈনবা ওইবনা লুচিংবা অনীসি উন্নবদা মশানা তানা সেঙ্কসনশিংগী হীরম পুখৎলকপনি হায়না এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই রবিস কুমারনা ঙরাং য়ুনাইটেদ নেসন্সতা পাউমীশিংদা হায়খি।

মতম তাঙ্কক অসিদা মখোয়দা কন্দায়দা লেপ্লিবগে হায়বগী মরমদা নাকল অনীনা অমনা অমগী ফিরেপ খঙমিন্নখি হায়না মহাক্না হায়খি।

মালেম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থৌদোক ময়াম অমা থোকখি। ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর জারিফনসু ন্যুক্লিয়ার দিলগী মতাংদা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগা ইরানগা চথরিবা খন্ন–নৈনবা অদুসু সুস্মা স্বরাজদা খঙহনখি হায়না ৱাঙাংলোই অসিনা মখা তাখি।

ঐখোয়না মখোয়গী ৱাফম তারে, ঐখোয়নসু ঐখোয়গী লেপ্লিবা ফিরেপকী মতাংদা মখোয়দা শন্দোক্লা খঙহনখ্রে।

ইরানগী মথক্তা সেঙ্কসনশিং থমজিনগদৌরিবা অদুগী মতাংদা খঙমিন্নবা হায়বসি মরু ওই। মরমদি ঐখোয়না অতৈ মসিদা চেন্নরিবা লৈবাকশিং অমসুং খুদম ওইনা য়ু এস কুম্বা অসিনসু লোয়নরি হায়না মিষ্টর কুমারনা মখা তাখি।

ন্যু দিল্লিগী নুংনাংবশিং অমসুং ফংগনি খনবা আশাশিংগী মতাংদা ইন্দিয়া অমসুং য়ু এস কগী মরক্তা হন্দক্তা লোয়শিনখিবা ৱারী শান্নবা অদুদা ৱাসিংতন্দা ৱাখল তাহনখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

# নোর্থ কোরিয়াগী ২০১৭–বোম টেষ্টনা আর্থক্বেকশিং থোকহনখি



*ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ২৭ ঃ*

হৌখিবা চহীদা নোর্থ কোরিয়ানা পাঙথোকখিবা অন্দরগ্রাউন্দ ন্যুক্লিয়ার বোম টেষ্ট অদুনা মদুগী মতূংদা থা ৮ লোমগী মতম হেন্না য়ুহার হাবগী থৌদোক পরীং অমা থোকহনখি হায়বা ষ্টদি অমনা ফংখ্রে।

মসিগী মমাঙদা হান্না য়ুহার হাবা থোকপা মফমনি হায়বগী য়েংশিনখিদ্রবা মফমদা থোকখিবা লৈবাক নীকপগী থৌদোকশিং অদু ন্যুক্লিয়ার এক্সপ্লোজনশিংগী ফিজিক্স অমসুং নেচরেল আর্থক্বেকশিং করম্না থোকহনগদগে হায়বা অনীমকসিগী মতাংদা মীৎয়েং অমা ফংলে হায়না য়ু এস কী কলম্বিয়া য়ুনিভর্সিটিদা রিছার্সরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বর ৩ দা নোর্থ কোরিয়ানা লৈনুংদা পাঙথোকখিবা ন্যুক্লিয়ার বোম টেষ্ট অদু লৈবাক অসিগী ৬ শুবা অমসুং কিলোতোন ২৫০ রোমগী শক্তি লৈবা হৌজিক ফাওবগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবনি। কিলোতোন ২৫০ হায়রিবসি জপানগী হিরোসিমা সিটিবু থুগায়দুনা মাঙ–তাকহনখিবা অনীশুবা লাঞ্জাওগী এতোম বোম অদুদগী শরুক ১৭ রোম হেন্না শক্তি লৈরবনি।

এক্সপার্ট কয়ামরুমনদি দিভাইস অদু হায়দ্রোজেন বোম অমা ওইগনি থাজে। মদু করিগুম্বা অশেংবা ওইবা তারবদি লৈবাক অসিনা হান্না চাংয়েং তৌদুনা পোকখাইহনখিবা এতোমিক দিভাইসশিং অদুদগী শীংথানিংঙাই ওইনা য়াম্না হেন্না ফরবা অমনি। মদুগী চাংয়েং অদুমক্না মেগ্নিচুদ ৬.৩ গী আর্থক্বেক অমা থোকহনখি।

অহানবা মেগ্নিচুদ ৬.৩ গী আর্থক্বেক অদুগী মিনিৎ ৮.৫ গী মতূংদা মেগ্নিচুদ ৪ গী আর্থক্বেক অমসু থোকখি। মদু লৈবাক অসিগী মাওন্ট মন্তাপকী মথক্তা ন্যুক্লিয়ার বোম চাংয়েং তৌফম মথক্তা লৈবা এরিয়া অদু বোম অদুনা কন্দুনা লৈরিবা অন্দরগ্রাউন্দ কেভিটি অদুদা নীংখাইরকখিবদগী থোক্লকখিবা ওইবা য়াই।

ন্যুক্লিয়ার বোম চাংয়েং তৌবা অমসুং লৈবাক্কী লৈরোল নীংখাইরকখিবা অদু মতম অদুদা মালেমগী অকোয়বদা লৈরিবা সিস্মোমিটরশিংদা ফংখি অমসুং মফম কয়াদগী পাক–শন্না রিপোর্ট তৌনরকখি।

কোন্না চিনা, সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ু এস না চল্লাইবা সৈস্মিক ষ্টেসনশিংনা কেস সাইট অদুগী অকোয়বদা কিলোমিটর ৫ নৎত্রগা ১০ গী মনুংদা অপীক অপীকপা লৈবাক নীকপগী শাফু ১০ ফংবা ঙমখি।

অহানবা লৈবাক নীংখাইবগী থৌদোক অনী হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বর ২৩ দা ফংখি। অদুগা খ্বাইদগী নৌবদা চহী অসিগী এপ্রিল ২২ দা ফংখি। তশেংনমক বোম অদুনা পৃথিবীবু নীকহনখি অমসুং নীকপগী শাফু অদু লৈতাবদা মতম খরা চঙখি হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা লৌখি।

তেল্লবা মতম অমগী মনুংদা অপীকপা এরিয়া অমদা অসিগুম্বা থৌদোক কয়া, মরম অমত্তা লৈতনা থোক্লিংঙাই ওইদে হায়না কলম্বিয়া য়ুনিভর্সিটিদা সৈস্মোলোজিষ্ট অমা ওইরিবা ষ্টদিশিং অসিগী অমগী ওথর মকোক ৱোন–য়ং কিম না হায়রি।

# য়ু এস কী দোনাল্ড ট্রম্পনা য়ু এন দা ইজরেল, পেলেষ্টিনিয়ানশিংগী তোঙান–তোঙানবা ষ্টেট ২ লৈবদা শৌগৎপা ফোঙদোকখ্রে

*য়ু এন, সেপ্টেম্বর ২৭ ঃ*

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা প্রসিদেন্টকী ওফিস পায়খিবা মতূংদগী অহানবা ওইনা ইজরেল অমসুং পেলেষ্টিনিয়ানশিংগী মরক্তা লৈরিবা মুক্লবা অসি ৱারোইশিন পুরক্লবগী খ্বাইদগী ফবা লম্বী ওইনা তোঙান–তোঙানবা ষ্টেট অনী লৈবগী ৱারোইশিন অমা শৌগৎপা ফোঙদোকখ্রে।



য়ুনাইটেদ নেসন্সতা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেতান্যাহুগা ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিত্তা উন্নখিবদা মহাক্না ৱাফম অদুগী মতাংদা শৌগৎপা ফোঙদোকখিবনি।

ষ্টেট অনী হায়বদি ইজরেল অমসুং অতোপ্পা অমনা পেলেষ্টিনিয়ানশিংগী, মসিনা খ্বাইদগী ফবা থবক ওইরগনি হায়বসিদা মহাক্না থাজরে হায়না ট্রম্পনা পাউমীশিংদা হায়খি।

দোনাল্ড ট্রম্পনা হান্নদি হীরম অসিগী মতাংদা ময়েক শেংদনা থয়াইননা লৈরমখিবনি। ওইথোকপা য়ারিবদি পেলেষ্টিনিয়ান টেরিতোরিশিংসু ইজরেলগী শরুক অমা ওইনা উরকপা ষ্টেট অমগী ৱারোইশিন য়াওনা পার্টিশিংনা য়াবা অদু মহাক্নসু শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

ঐনা ষ্টেট অদুদা সোলুসন অমা পাম্মী হায়না নেতান্যাহুগা ফোতোগ্রাফকীদমক লেপ্লদুনা ট্রম্পনা হায়খি। মসিনা খ্বাইদগী ফবা ওইগনি খল্লি। মসি ঐঙোন্দা ফাওরিবা ৱাখল অদুনি। হৌজিক নখোয়না তোঙানবা অমা খল্লম্বা য়াই। মদুম্না ঐ খন্দে। অদুবু ষ্টেট–অনীগী সোলুসনগী কাঙলোন অসিনা খ্বাইদগী ফবা ওইগনি হায়না ঐনা খল্লি হায়খি।

থোক্লদবা য়াই হায়না মহাক্না থাজরবসু ইজরেল অমসুং পেলেষ্টিনিয়ানশিংনা ৱান–ষ্টেট সোলুসন অমগীদমক লেপ্পা তারবদি মদুদা ঐনা শৌগৎকনি হায়না অমুক মহাক্না মখা তাখি।

করিগুম্বা ইজরেল অমসুং পেলেষ্টিনিয়ানশিংনা ৱান–ষ্টেটকী কাঙলোন অদু পাল্লবদি মদু ঐনা য়াই। অদুগা মখোয়না ষ্টেট–অনী পাম্বা তারবসু ঐনা য়াই। মখোয়নবু হরাওরবদি ঐ হরাওগনি হায়খি।

হান্নদি ইজরেলবু শৌগৎপা পেলেষ্টিনিয়ানশিংগী মথক্তা তাথিবা খোঙথাং লৌখৎপগীদমক ট্রম্পপু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লকখিবনি। হৌখিবা চহীদা পেলেষ্টিনিয়ানশিংনা মখোয়গী মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরকপা মদুগী কোনুং ওইগনি হায়না আশা তৌরুবা হোলিসিটি জেরুসালেমবু ইজরেলগী কোনুং ওইনা রিকোগনাইজ তৌখিবনি। মদুদসু নত্তনা ইজরেল কোনুং টেল এভিবতা লৈবা য়ু এস এম্বেসি অদুসু জুরুসালেমদা হোংজিল্লকখি। মদুগী খোঙথাং অদুগী মায়োক্তা পেলেষ্টিনিয়ানশিং অমসুং আরব ৱার্ল্ডদগী পাক–চাওনা প্রোটেষ্ট তৌনরকখিবনি।

সনা–সুদোকু –১৩০৩ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 6 | 5 | 8 | 4 | 1 | 2 | 7 | 9 |
| 7 | 8 | 4 | 2 | 9 | 6 | 1 | 5 | 3 |
| 1 | 2 | 9 | 5 | 3 | 7 | 6 | 4 | 8 |
| 4 | 1 | 3 | 9 | 8 | 5 | 7 | 6 | 2 |
| 2 | 9 | 7 | 6 | 1 | 4 | 8 | 3 | 5 |
| 6 | 5 | 8 | 7 | 2 | 3 | 4 | 9 | 1 |
| 5 | 4 | 2 | 3 | 6 | 8 | 9 | 1 | 7 |
| 9 | 7 | 1 | 4 | 5 | 2 | 3 | 8 | 6 |
| 8 | 3 | 6 | 1 | 7 | 9 | 5 | 2 | 4 |

# নোংথক–এটেকতা আফগান অঙাং ১০ অমসুং নুপী ২ শিখ্রে, য়ূম ৩ শোকখ্রে

*কাবুল, সেপ্টেম্বর ২৭ ঃ*

য়ু এস অমসুং আফগান ফোর্সশিংনা মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা নোংথক্তগী বোমগী এটেক কনখৎলকখিবগা লোয়ননা অয়াম্বনা অঙাংশিং ওইনা আফগান ইমুং অমগী মীওই ১২ নোংথক এটেক অমদা শিখ্রে হায়না য়ু এন এসিষ্টেন্স মিসন ইন আফগনিষ্টান (য়ু এন এ এম এ) না ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখ্রে।

তালিবান ফাইটরশিংদা পান্দম থমদুনা নোংথক্তগী চথরক্লিবা এটেক অমনা ইমুং অমগী মীওই ১২ হাৎখ্রে হায়না প্রোভিন্সিয়েল কাউন্সিল মেম্বর অহমদ জাহফারিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু য়ু এন মিসন অসিনা ফংলিবা ৱারোল অসিনা মান্নরে।

পাউগী এজেন্সি এ এফ পি দা অব্দুলা কৌবা খুঞ্জা অমনা ফোঙদোকপদা এটেক অদুদা মহাক্কী মচল্লুপী অনী শিখি। পূন্না মীচম ১২ হেনবগী পুন্সি মাঙখ্রে হায়খি। এটেক অদুদা অতোপ্পা য়ূম অহুমসু মাঙ–তকখ্রে। ঐখোয়গী য়ূমদগী মিটর ১০০ রোম লাপ্পদা লৈরিবা তালিবান প্রিজন অমদা মখোয়না বোম থাদবা পামখিবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা য়ু এস অমসুং আফগান ফোর্সনা চথবা নোংথক এটেক কয়াদা মরাল লৈতবা মীচমশিং শিবগী পাউশিং য়ু এস এসিষ্টেন্স মিসন অসিনা য়েংশিনখি। অসিগুম্বা মীচমশিং শিবগী খ্বাইদগী শাথিবা থৌদোক অমদি চহী অসিগী এপ্রিল থাদা আফগনিষ্টানগী অৱাং থংবা প্রোভিন্স কুন্দুজদা দাষ্টে আর্চি কৌবা মফমদা লম্পাক্তা লাইনীঙ লাইশোনগী পাঙথোকপা থৌরম অমদা বোম থাদরকপা অঙাংনা অয়াম্বা ওইনা মীওই ১০৭ শিখি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1304**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 1 | | | | | | |
| | | | 9 | | 5 | | | |
| 4 | | 2 | | | | 6 | | |
| | | | | | | | 6 | 5 |
| | 7 | | 4 | 2 | | | | |
| | 9 | | | 5 | 8 | 1 | | 7 |
| 2 | 4 | | | 3 | 7 | | | 6 |
| | | | 8 | 4 | 1 | | | |
| 8 | | | | | | | 4 | |